## ৱারী মচা

# উপায় লৈজদবা

### ৱাংথোই লাইশ্রা

পুন্সি অমা শেম্নবা হোৎনবদা অকোয়বা কৈরোয়–লৈকায়গী মখাসু খরা পোনবা জাৎনি। তশেংনমক ঐদি মখাথংবা য়ুমলোন্নবগা তাইনবসি অৱাংবা চেকপল অমনা খাগৎনীংলবনি। মচীন–মনাও মঙানি। অতোনবগী মচা অহুম –মরি লৈবদুনি নোংঙানবগা কপ্পগা –লাউবগা, নীংঙাইনে করিনে কোকপু ঙাওবজাৎনি। লমসু হেনখ্রে মখোয়গী মচাশিংসে। অসিফাওবা মচীন–মনাও অহুম অমদি য়ুম পাল্লমদবৈ, মচা–মশু লৈরমদবদগী খরা ফরিবনি। তৌবগীবুদি মখোয়নসু ঐখোয়গী মতেংবুদি অদুম মপাংঙি। মখোয়গী ইমুংসিসু শুনা–শুনা নুংঙাইবদি সুকঙম ঙমদ্রবনি। কৈবুই কৈওইবগী উতোং অহোবদু মঙায়রে। মচীন–মনাও য়াইমদুসু কুইরে য়ুমদা লৈতবা। গারী চৎপদা য়াওরিমাল্লে। ময়াম্নবুদি ‘তয়াই’ হায়রগা হেন্না খঙনৈ। অহন্নসু অঙাংনসু ‘তয়াই’ লোইনমক মিঙ্গৌনৈ।

তয়াই। নোংমা নুমিদাং অমা চৎথোকপদা লম্বীদা থেংনৈ। চুরুপ মচৈ অমা থল্লম্মী। অমদুসু খরা থল্লুরমাল্লে। ঐ হেক উবগা মখুৎতগী চুরুপ্তু লৈমায়দা থাদরগা মখোঙনা নৈশিল্লি। অদুগা মখোলদু ফাইরি ফাইরি কৌরকই, “ৱাংথোই! চৎথোকলুরিবরা? খরা খরা ঙন্না হঞ্জিন্নৌ।” মখা তানদি হায়নীংবজাৎনি। অদুবু অদুম লৈহৌরে। মানা ঐগীদমক করিসু তৌবিবা ঙমদ্রবসু ঐ নুংঙাই। মথম্মোয়দা মচা–মনাও ওইবশিংবু ফহন্নীংবগী ৱাখল্লোন অমদি চেল্লি। মদুনা ঐগীদি অদুম য়ারে। অদুম পেল্লে। নোংমসু থাবল চোংফমদা থেংনৈ। মথন্তা লেপ্তুনা লৈরম্মী। খোঙ্গ্রাও ফুরিৎখাউদগী চেৱিং গম অমা লৌথোক্লগা পী। ঐনা ঙম্বসু মদু মঙায়রে। তয়াইগী পুন্সিদা ঐ কোক থিংজিল্লুবদি ঙমদে। অদুবু ঐনা খঙবা হায়ববু মহাক্কী পুন্সিসে অসুম্নদি খক ওইরমদবনি।

মতমদো ঐখোয়সু পীক্লি। তয়াই স্কুল অমদা চৌকিদার ওই করি ওই পুরম্মী। মখোয়গী আশাদি নোংমা স্কুল অসি সরকারনা লৌখৎলকখিনি অসিনি। সরকারগী মমীৎতি তাঙখি। শক্তি পায়হৌনবৈ, শেঞ্জা–থুমজাগী শরৌ মরক্তা চাওখৎপগী লম্বীদি উখিদে। তশেংনমক সরকারগী মমীৎতি অদুমক তাঙখি। খৃষ্টানশিংনা যীশু ঙাইবদি চোকথরমদবা য়াই। অদুবু মখোয়দি চোকথরকখি। চাকখাউগী লান মরক্তা মখোয় ঙাইবা ঙমখিদে। মমৈথংদা স্কুল অদু থুপচীনখি। মীরোল কয়া লোয়নরক্লবা মহৈ তম্ফমশঙ অদো সরকারনা লৌখৎত্রিঙৈ মপুন্সি লোইশিনখি।

তয়াই মতম খরদি তৌফম খঙখিদে আশা অমা ময়োল কংখ্রে। অনৌবা ময়োল অমা চোংনবা হোৎনবদা মতম খরদি চঙখিমাল্লে। নোংমা নুমিদাং অমা ময়ুমদা হঞ্জিল্লকই। অঙৌবা ঙাক্তা শেৎলি। ফুরিৎ অঙৌবা, খোঙ্গ্রাও অঙৌবা, খুজেংদদি খোঙ্গ্রাও মথক্তা ফি অমুবা অমমল্লা কিশিল্লি। ঐসু তনহং হংজিল্লুই “কদায় চৎলুইনো তয়াই?” মোং–হাদনা খুম্মকই, “বেন্দ পার্তি অমা য়াওরি ইবো। ফীজোলসিসু অৱায়বনি, খোঙলিবা খুৎলায়সিসু অৱায়বনি” ঐ মখা অদুম তাজদ্রে। অসুম্না বেন্দ পার্তি অমদা য়াওরগা মীগী লুহোং–খোঙদোংবা খরা চৎলমাল্লে। অদুদগীদি মশাগী ফীজোল, মশাগী খুৎলায় লৈবা ঙমদবগীরা করিনো অদুম তোকখ্রে। মতম খরা য়ুমদা লৈরম্মী। তশেংনমক মহাক ককঙাওনরমাল্লে। নোংঙানবগা হেক হেক থোকখি। য়ুমদা হঞ্জিল্লক্কনি খঙদে। চারমদাইদা হেক হেক হঞ্জিল্লকই। ইমুং–মনুংদা ঈরাং কানরকই। নোংমদি ইখঙ খঙহৌদনা খৎন–চৈনবা থোল্লককই। নুমিৎ অদুদা মহাক য়ুমদগী মপান থোকখি। অদুম হঞ্জিল্লকখিদ্রে।

খরা লৈরগা পাউ তারকই, তয়াই গারী অমদা য়াওরি। অদুবু য়ুমদদি নোংমতসু হঞ্জিল্লকখিদ্রে। ঐহাক ৱারৌখি নোংমতসু মমা অশোনবীগী নাক্তা লাকপদি ফবনি। মমানা খ্বাইদগী নুংশিরবসু মহাক্কি। ঐখোয়গী বাবানা গ্রাম পঞ্চায়তকী ভোৎ লেপ্পগী অদ্বাইদনি। নোংমা নুমিদাং অমা ইখঙ খঙহৌদনা চঙলকই। ঙাইহাক ফল্লম্মী। ঐনা হংঙি, “তয়াই, য়ুমদদি চৎলরোইদ্রা?” ঐঙোন্দা ওনশীল্লগা ভাষণ অমা পীথরকই, “ৱাংথোই, ঐঙোন্দা হৌজিক লূপা মঙা চৎপী অমখক্তং য়াওরি। মসি পুরগা কম্মাইনা য়ুমদা চঙগদৌরিবনো?” ঐ খুমদে। অদুবু খল্লি। নাকল অমরোমদদি মহাক্না হায়রিবসিসু চুম্মী। মনাওনুপাশিং, অদুগী মথক্তা মনাওনুপী! ময়ামদুগী মমাঙদা লুপা মঙাখক পুরগা চঙবা হায়বসি পঙলেমদি লেম্বা থবক্তি নৎত্রে। ঙাইহাক ঙাঙলম্মগা মহাক অদুম চৎখ্রে। ময়ুমদদি চঙলমদে।

লম্বীদা মনাওনুপাগী মচাশিং থেংনরবদি গারীদগী চান্দী চৎপী অমা অনী হেক হেক থাদরম্মী। নোংমসু হাথু হাথু লাক্লগা ঐবু কৌরকই, “ৱাংথোই, মী ফুসি লাওঃ ঐঙোন্দা মোয়না উশিৎলক্তবা…।” ঐ নুংঙাইখিদে লাঞ্জখিদ্রবা ইয়াম্বসিদসু অকন–অরীং শীংনরক্লবোইরে। ঐখক্তা নত্তে মহাক্না কৌখিবদো, কনা কনানো য়াম্না কৌখিবনি। কনা অমত্তসু থওইনা থোক্নরক্তে। ঐসু তাশীন্নখিদে। তুমিন্না লৈখি। মসি নত্তনা করিদি উপায় লৈরি। অমুকসু খল্লকই ‘উপায় লৈজদ্রবা নঙোন্দা মীনা উশিৎতনা কনাদা উশিৎতবদি য়ারুনি’। মহাক ঙাইখি। লম্বীদা ঙাইহাক ঙাইরম্লগা উপায় লৈতনা চৎখি। মচীন–মনাও কনা লৈজদবগুম মহাক চৎখি–মহাক্কী তোঙানবা লম্বীদুদা, মহাক্কী তোঙানবা পম্বুংফমদু তম্না। তুমিন্না অদুমক চৎখি।

---

## শৈরেং

### হাউ থাজরনু

লাই বিমোন

ইচাশাঃ চীঙদা চৎকনু
হাউ ঙাওই, চীঙদা চৎকনু
হাউনা লুখা থাখিনি চৎকনু।

হাউদি হাউনি সংসার খঙদে
শুক্লবা জঙ্গল চীংলক্তনি খংলিবা,
মপানগী চাউখৎপা নুংঙাইবা খঙদে
নিংথৌনা লোইরে খঞ্জবা হাউনি
চীং নিংথৌনা পানবা হাউখুলনি।

অঙাউবা নিংথৌনা পাল্লি চীংলৈবাক
ইচাশা, চীংদা চৎলুনু কান্নরোই
লুখা থারোই, কাপ্তুনা হাৎকনি
নৎত্রগা মতম চুপ্পগী ফুমখ্রবদি
নৱা নপাউ তাররোই, কাউনখিনি।

ইচাশা হাউবু থাজরুনু, অপঙবনি
অপঙবা ওইরসু ফত্তবা অপঙবনি
অপঙবা তরাগা মরুপ ওইবদা
অশিংবা অমত্তংগা মরুপ ওইবনা
থোইনা কান্নবনি হাউবু থাজরুনু

---

### মোদোল্লে

*থৌনাওজম খম্বা মৈতৈ*

মমা লোন শিজিন্নরুঙৈ ওইখি কাংখথাং
মাঙখ্রবনি চাকঙাই ফুঙ্গা ৱারিসু।
নাইখিদ্রে মাংশোক ফমেন
অহোংবা য়ুমশানা।
উরেপমচা শাই মশানৌ পাওখোল
কোক্তা থোং লৈবাক্কীনা তুংদথম।
মাল হনবি খুন্নাইদা মম্মী দেদী অঙাং ওইনখি।
ৱাঙাং খুদিং মেতাফর, ইমেজরি, সিম্বোল্লিক।

ৱাঙম শাফানা হুইদ্রবা কদেং
লৈজরবসু ৱাইলদ লাইফ প্রোতেক্সন এক্ট
হালেংদে ফাবা চাবা শঙাইবু।
মীতৌ ফিজেৎ খুদুপথা
উখিদরে ফনেক খোয়দোম শেৎপদি।

ইঙা কুমদম্নবসু, ঈঙেন কুমখাইলক্ত
নুমিৎলৈ, থরো, থম্বাল, থাজ মতাওইজবি
লৈশাৎ তম্লি নিঙাইদনা
পুম্না চিনশি চাউমল্লি
তংখায় চিনশি পিকমল্লি
লৈরাংবিনবা লৈত্রবদা।

---

### নীংতম্বা পাম্লুবা ঐসে অহক চৈরাক ফংলেদো

*মৈহৌবম মনিচন্দ্রা সিংহ*

পূম্নমকপু খুদুম চল্লুরগে হায়না
ইনৌ নৌবা মফম অমদা
মীকূপ অমত্তা ইনীং তম্বা ফংখিদে
কদায়দগী নীংতম্বা কদায়দগী ইনীং তম্বা
খুদুম শীংখিবনি অদুনা ঙসিদি কদাই
পূম্নমক অরেম্বা ওইরেদো
ঙসিদি ঐগী পূন্সিসে
ঐ নঙগী চান্না চুন্না তিন্নরম্বা
অরেম্বা ওইরেদো ঙসিদি
অমম্বদগী মঙাল সংসারগী খোঞ্জেল
মীনম্বা ওইরেদো ঙসিদি
ইনীং তম্বা পঞ্জেং ফীরালদো
ইরাং শাগৎলুবা ঐতগী ইরাল ওইরেদো
খুদুম শীংদুনা চোংথোক্লুবা
ইমাগী তম্পাক্তা নীং তম্বগী লানজং
নীতি নিয়ম খঙদবা ঐসে
ৱারক চেৎপা মপুনা অশিবগী চৈথেং পীরকই
মসি ভার্ব তাহৌদবনা
কুশি রাশি তৌরুবা ঐসে
ফত্তবগী লানগৈ ওইরেদো
নীংতম্বগী ওঝা তান্নহৌদবনা
মৈরিক্তা মৈরাম্বীশুম শিজরেনে
খনবগা চপ মান্নরেদো
জয় নীংতম্বা জয় নীং তম্বা।।

ফংলিবা মহৈ মানা তৌজরুবগী।
ঙাংলিবনি অচুম্বা চীন্দদি
তৌথোরকপদদি অরানবঙাক্ত
পুথোকরকখিবনি অচুম্বা ফাগিনা।
উখি পেন্না ফাগি
ফাগি তারবা পুন্সিনা।

---

### পঙনা হিংলি ঐগী পুন্সি

*তোলচৌ শমজেৎশাবম*

পঙনা চারী শিদনবা
অফং–অফং নোংমগী।
চাফম থোকপা করিনো
মী অমগী নোংমদা?
খঙলুবা কান্নরোই ঐঙোন্দা
খঙলবসু চাবা ফংলোই
খুত্তা পৈশা পায়দবনা।
পঙশু শুরি থবকসু
তারু–ফংলু নোংমগী।
শুনীংই, অনানবা থবক,
শুবদি ফংলোই ঐগুম্বনা
শেঞ্জাও পুথোক ঙমদবা।
পঙদবা য়াদে পঙফম থোকই,
পঙনা হিংলি ঐগী পুন্সি।

---

### লীল লীলা

*থৌনাওজম খম্বা মৈতৈ*

নহা অহল নুপী অঙাং
খেন্নবা লৈত ভাব তাহল্লি লীলানা।
নুং পানগী পুন্সি কুমহৈবু
উহল্লি অশেংবা ওইনা।
খোয়রাং খোয়শাওনা
খৌরাংনা পোলোইদা

---

### মতম

*এলাংবম ধনঞ্জয়*

উত্রা মাংদা লেপ্লিবা
কংলা শাসে য়েংঙুহৈ
মখয়াৎ লাত্তনা কাদুনা
মরৈ হা হা তমদুনা
লাক্কদবা মতম খোংলৈবু
য়োৎকে হায়না ঙাইরিনি।
মতম্বু খাক্কে খনগনু
লেংঙোইদবা লন্নি লৌগনু
পোরোল শো লোন্দুনা
থম্বা য়ারোই ফাদুনা।
পায়বা পায়বা পাইখিনি
য়েংনা য়েংনা উহৌরোই
থৌদোক্ল
মাবু খঙবনি
ওইফম্না মাবু লেপ্পনি।।
থৌদাবু পাংহৌদ্রবদা
মতমগী তাঙ্কক লৈতবনি।
হৌখ্রগা নঙগীদা মাংবনি
মৈতান্না ৱাখৈরমদাইদা
নিংঙমহৌদবা লাকপদা
করিসু কান্নবা লৈররোই।।

---

### নোংজু নুমিৎ অসিনা ঐবু

*শঞ্জেনবম ভানুমতি দেবী*

নোংজু নুমিৎ অসিনা ঐবু
লাংতক্লহল্লি পুক্নিংবু
নীংশিং নীংশিং লেনজরি
হৌখিবা থৌদোক কয়াদি।।

নীংলোই খন্না থমখিবা
কাউরগে নীংনা লোৎশিনবা
পুক্নিংনদি য়াদেনে
থম্মোয়নদি ঙমদেনে
ৱাখলনা মদোম মরাকচৈ
মিৎলু পিরাং থিংঙমদে।।

মপাম্বোংগী হকচাংদি
অহোংবা কয়া ওইখিনি
মপু মাগী খুৎশেমদি
ঐনা থিংবা ঙদেদো
থম্মোয়নুংগী ৱাশক্তি
লেঙদনা অদুম লৈরিদো।।

---

## তাবুনুংদগী

*(কবি এলাংবম নিলকান্তনা মে ১৯৪৫ দা ইবা “অহিংগী চেক্লা” কৌবা শৈরেং অসি ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি)*

### অহিংগী চেক্লা

চেক্লানি ঐহাক্তি অহিংদা কোয়বা
পাইজরিবা ইতোমতা ঈনিং তম্না
অকনবা নুংশিৎ নোংলৈ মরক্তা
উশা অসিদগী তেকথরক্কদৌরবা
পাইথোকচরক্লি অহাংবা অতিয়াদা!
পামজদ্রে ঐহাক্তি শরৎকী থাবল
য়েংজনিংদ্রে বসন্তগী অনৌবা য়েংনিং।

মল্লবা অতিয়াদা অকিবগী দেবীনা
লমজিংবীরি ঐবু থাপ্না থাপ্না
চোকথরে হকচাং অপুম্বসু লোইনা
লৈজদেনে অদুবু ঐহাক্কী কায়দোংফম
অকনবা নুংশিত্তা, মল্লবা মালংদা
হে তুম্লিবা! হো শাতানবা!
চেক্লানিনে ঐহাক্তি অহিংদা কোয়বা।

**এলাংবম নীলকান্ত**

---

## মণিপুরী পাম্বে পাউরৌ পাউতাক

**২২৩। অতোম্বীগী শুমাংদা তিংথৌ ওইনা হৌনিংদে। (অনী লোনবগী শুমাঙদা তিঙ্গোয় ওইনফাও হৌনিংদে)**

–তিন্ননীংদবা, মখা থানা লৈনীংদবা।

– তোয়না খৎন–চৈনবা য়ুমদা চঙনীংদে।

**২২৪। অতোম্বীনা হীরী কোন্দুনা নাম্বোকপা ঙমদবা**

–নুপী অতোম্বগী খুদোম্বীদা লৈদুনা পুবা নুপা।

**২২৫। অতোম্বীগী ফনেক ফৌবদি ফদিগোম মকা তাই।**

–অচান–মীরাই নাইবা, অশোয়বা লৈরবসু নুংশিবনা তৌরবদি ফত্তবসু অফবা লোইনা ওইবা।

**২২৬। অতোপ্পবু ফহন্নীংলবদি নশা হান্না ফনবা হোৎনৌ।**

–ইশা ফরগা মীসু ফরক্কনি।

(ইশাগী অশোয়বা হান্না চুমথোকপা)

**খোমজিনবা**
**ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন**

---

## লাইরিক্কা উন্নবা

**লাইরিক্কী মমিং ঃ মৈতৈগী মচুগী মনাৎ (নৈনবা)**
**অইবাঃ বি কুলচন্দ্র শর্ম্মা**
**অফোঙবাঃ বি রোসন মেনুস্ক্রিপ্ট লাইবেররী, ইম্ফাল**
**অহানবা ফোঙবা ঃ ২০০০**

বি কুলচন্দ্র শর্ম্মনা ইবা ‘মৈতৈগী মচুগী মনাৎ’ হায়বসি মমল লূপা ১০০ পী। মণিপুরী হায়বা জাতিসি মশাগী ওইবা নাৎকী ওইবা শক্তম অমগা লোইনরগা চহী কয়াগী মমাঙদগী হিংজরকপনি। মচু হায়বসি হ্যুমেন কন্সিনেসকী মপুং ওইবা শরুক অমনি। অসুম্না হায়নবা লৈ, মদুদি পৃথিবী মশক নাইবা মীশক খুদিংমক মচুগী সেন্স লৈ। মৈতৈগী ৱাহৈদা ‘শক–চু’ হায়বা ৱাহৈ অমা য়াম্না তোয়না শীজিন্নৈ। জাতি অমবু মশক খঙবদা মচুগী ৱাফমসি মরু ওইবা অমনি। য়াম্না ঙল্লিঙৈদগী হৌনা মৈতৈনা ফিশক–ফিজু খঙনা শীজিন্নরকই। মৈতৈশিংনা অৱা–অনা তাবা মতমদা অঙেৱৌ মচুগী ফি শেৎ–চাই অদুগা হরাও–নুংঙাইবা মতমদনা মচু–মচুগী ফিজেৎ লৈতেং শীজিন্নৈ। অদুগা শাফি–লানফি ওইনা অমুবা মচু শীজিন্নৈ। বি কুলচন্দ্রনা ইবা মৈতৈগী মচুগী মনাৎ হায়বসি থোইদোক–হেন্দোক্লা শীংথানিংঙাই ওইবা লাইরিক অমনি। মসি মণিপুরী সভ্যতাগী ইতিহাসক শেত্তোক খাইদোক্লবা য়াররোইদবা মরুওইবা শরুক অমনি। লাইরিকসিগী মতাংদা ৱাহৌদোক “অইবগী ৱাহৈ অম নিদং” হায়বসিদা অইবনা হায়রি পৃথিবীগী অতৈ জাতি পূম্নমক্লা মচু শীজিন্নবগুম মৈতৈসু শীজিন্নরম্মী। অমসুং মচুশিংদু মখোয়না কদায়দগী–করিদগী, করম্না লৌবগে হায়বগী পরীং তাদুনা লৈরম্বা, করি–করিদা শীজিন্নরম্বা হায়বদুগী মচত্তুদং উৎচবা পামজরুবদগী ময়ামগী মফমদা লাম্বোকচবনি।” লাইরিক অসি ঐখোয়না তরায়–তরায়না লৌরুবা য়াদ্রি। জাতিসিগী সভ্যতাগী ইতিহাসকী খোঙ্গুল লীবগী মরুওইবা মায়কৈদা চঙশিনবা অমনি হায়দবা ঙমদে।

য়াম্না মপুং ফাবা মওংদা শাগৎক্লিবা লাইরিকসিদা তাঙ্কক ১১ য়াওরি। মদুদি লমদমসিদা কমদৌনা মচুগী ৱাখল (কলর মেন্স) লাকখিবা, মচুশিং লৌবগী মওং, মপুংওইবা অঙাংবা, অমুবা, হিগোক, নাপু, অশংবনচিংবা মচুশিং লৌবদা শীজিন্নবা পাম্বীশিংগী মতাংদসু মরিকচুম্না ইরি। হায়রিবা মচুশিং অসি শীজন্নবদা হেন্না মশেক মঙাল নাইনবা শীজিন্নবা পোৎলমশিংগী মতাংদসু নৈনরোয়না য়াম্না কুপশিনবা মওংদা নৈনরি। অশিনবা মচুদা তেংবাংবা, উত্তি খরি ওইনা তেংবাংবা, ফিগী মচু পালহন্নবা পোৎলমশিং, লংশু–লংজমগী ফিশু–ফিজামগী পোৎলম লৌবা য়ুমশাশিং, চাগী পোৎলম অমদি খৎলৌ, মসিদা অমুক পাম্বীগী মহী মখোমদগী লৌবা অমদি তীনশিংগী মকে–মনপ্তগী লৌবা হায়না খাইদোক্তুনা নৈননবা হোৎনরি। ফিগী মচুশিং অসি শেম্বদা শীজিন্নবা খোইরু অমদি সোম কমদৌনা শীজিন্নবা হায়বসু ময়েক শেংনা পীরি। তোঙান–তোঙানবা মচুশিং অসি শেম্নবগীদমক মখোম মনাং নৎত্রগা চনাংদগী, থাউগী মচু–পোৎচাক লৌবা, শা–ঙাগী শরুক্তগী মচু তেংবাং লৌবা, হীদাক ওইনা শীজিন্নবা পোৎলমশিংদগী মচু পোৎচাক লৌবা, হীদাক ওইবা মচু–পোৎচাক হায়রিবা তাঙ্ককশিংসু লাইরিকসিদা য়াওরি। লাইরিকসি অঙনবা মণিপুরী সমাজদা মৈতৈশিংনা মচু মখল মথেল ময়াম্বু কমদৌনা মশক থোকপা মওংদা শীজিন্নরম্বা হায়বসি য়াম্না ময়েক শেংনা উৎলি। লাইরিক অমা ইবা হায়বসি কনাগুম্বা অইবা অমগী পামজবগী মতুংইন্না ইবা য়াই। অদুবু বি কুলচন্দ্রনা ইরিবা হায়রিক অসিদি মশাগী অপাম্বদুখক থুংননবা ইবা লাইরিক নত্তে। জাতি অসি কাওথোকফম থোক্তবা অমদি তুংকোয়না ইমজিনফম থোকপা জাতিগী লঙ্গৈ শেমগৎপনি। মসিগীদমক অইবসিবু খ্বাই পূম্বনা থাঙ্গৎনিংঙাই ওই।

**আর জে মীতৈ**

---

## চয়োলসিদা সাহিত্যগী পাউ (থৌরমশিং)

***দিসেম্বর ১১, ২০১৬, নোংমাইজিং***

*নোংচুপ হারম খোরজৈ লুপ অশম্বীদা নোহাখোল য়ুরেম্বমনা শীন্দুনা লূপসিগী লুপা ফুদোংবা চহী অমা চুপ্পা পাঙথোকপা থৌরমগী মনুং চন্না থা খুদিংদা পাঙথোকপা ৯ লক শুবা লাইরিক ফোঙবগী থৌরমদা মণিপুর প্রেস ক্লব, মেজোর খুল, ইম্ফালগী হোল নম্বর ১ দা খ্বাইরাকপম ইবোমচানা ইবা “লম্মুক্লরুবা” হায়না মিংথোনবা নোভেলগী লাইরিক অমা হৌনবী মতুংইন্না চীফ গেষ্টনা মীয়ামদা ফোঙদোকখি।*

*হায়রিবা থৌরম অসিদা প্রো. থোইদ্রিংজম তোম্বী সিংহ, প্রসিডেন্ট, মণিপুর সাহিত্য পরিষদ, পাউনা বাজার ইম্ফালনা অথোইবা লেঙবীরকপা ওইখি। অদুগা লূপ অসিগী প্রসিডেন্ট গৌরো থোঙামচানা থৌরমসিগী থৌরম মপু ওইনা লেঙশিনবিখি অমদি লূপসিগী হান্নগী প্রসিডেন্ট ওইবিরম্বা কুঞ্জো নিংঙোম্বনা অখন্নবা লেঙবীরকপা ওইবগা লোয়ননা লাইরিক্কী মরমদসু ৱা ঙাংবা ওইখি।*

**রাজেন খুমুকচম**

---

### চপ মান্নে

*থৌনাওজম খম্বা মৈতৈ*

চপ মান্নবা নৎত্র
লম্বীসিগী চৎলিবা মীগা
হিংলিবা মহিঙ্গা ভোত্তরগা
সরকারগী তৌথোরকপগা মীহুৎকা।
তান্নে চাওবসু শিংবসু
মিৎথকহল্লি হীরম খুদিং
মিকুপ্তা লোইখি ঙম্নমক।
লানমৈ থানবিগুম কুফেৎ কাফেৎ লমলৈমনা
নাওকোল্লিবা
হেল্লোয়না নাওশুন্নিবা
মীরোন্নি মোন্দ্রংগী।

### লমন

*নিংথেমপিশক ৱাইরোকপা*

নৈহৎপিখ্রবী
কনাগুম্বী অমগী পুন্সিবুদি
নঙনা
নাকেম্বাগী
অকংবা লৈরাংনি খন্দুনা
য়েংবা ঙম্লগা
থৌশাদবা মীকুপ্তুদা
নখুৎমক্লা থুগায়জবা
লীক্লিদুগী
অকায়বা মচেত্তুনা য়ুরকপদা
করিগী কপ্লি?
খাংঙু চৈনা
মৈথোকখো পিরাংদো
কনা উহন্দনা,
অউবশিংনা
কল্লক পেন্দনবা।